HUEIYEN LANPAO

# খুৎলায় পায়বশিংনা পঞ্জাবকী নভা জেলদা এটেক চথরকখ্রে, কে এল এফকী লুচিংবা নান্থোকখ্রে



চান্দিগর, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

খুৎলায় পায়বা মীওই ১০ না পঞ্জাবকী নভা জেলদা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা খালিস্থান লিবরেসন ফ্রন্ট (কে এল এফ)কী লুচিংবা হর্মিন্দর সিংহ মিন্তু য়াওনা মীওই ৫ নান্থোকখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা চান্দিগরদগী কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্পা লৈবা সিক্যুরিটি কুংবা জেলদা খুৎলায় পায়বা মীওই ১০ রোম লাক্লগা নোংমৈ রাউন্দ ১০০ রোম কাপশিল্লকখি। কার অনীদা লাকখিবা মীওইশিং অদুনা জেলগী কেম্পস মনুং য়ৌনা চঙলকখিবগা লোয়ননা জেল অদুদা লৈরম্বা কে এল এফকী লুচিংবা হর্মিন্দর সিংহ মিন্তু য়াওনা মীওই ৫ পুরগা চেনখিবনি হায়রি।

জেলদগী নান্থোকখ্রবা অতোপ্পা মীওই ৪ অদুদি গুরপ্রিট সিংহ, বিক্কি গোন্দ্রা, নিটিন দিওল অমসুং বিক্রমজিৎ সিংহ বিক্কিনি। হীরম অসিগী মতাংদা পঞ্জাবকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুরেশ অরোরানা হায়খি, নভা জেলদা সিক্যুরিটিগী ওইবা অশোয়বা অমত্তা লৈখিদে। অদুবু থোকখ্রিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথুরগনি।

অমরোমদা, পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর বিনিট যোসিনা হায়খি, নভা জেলদা থোকখিবা থৌদোক অসি ক্রোস বোর্দর টেররিজমগা মরী লৈনৈ। মীওই খরনা জেলদা এটেক চথরক্লগা ফাদোক ৫ পুদুনা চৎখিবগী থৌওং অসি ইচম চম্না লৌবা য়াদে। ক্রোস বোর্দর টেররিজমগা মরী লৈনবা থৌদোক্নি।

পঞ্জাবকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুখবির সিংহ বাদলনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দিরেক্টর জেনরেল প্রিজন্স সস্পেন্দ তৌরে হায়না ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা ষ্টেটকী মফম শীনবা থুংনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। জেলদগী নান্থোকখ্রবা খালিস্থান লিবরেসন ফ্রন্টকী লুচিংবা মিন্তু কুমজা ২০১৪ দা পঞ্জাব পুলিসনা দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ফাখিবনি। কুমজা ২০০৮ দা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমিট রাম রহিম সিংহদা এটেক চথখিবা অমসুং কুমজা ২০১০দা হলৱারা এয়রফোর্স ষ্টেসনদগী এক্সপ্লোসিব কয়ামরুম ফাগৎখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা মিন্তুবু পুলিসনা ফাখিবনি।

কে এল এফকী লুচিংবা হর্মিন্দর সিংহ মিন্তুবু কুমজা ২০১৪গী নবেম্বরদা থাইলেন্দনা ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নরকখ্রবা মতুংদা দিল্লিগী আই জি আই এয়রপোর্টতগী পঞ্জাব পুলিসনা ফাখিবনি।

কুমজা ২০০৯ দা মহাক বাবর খলসা ইন্টরনেসনল (বি কে আই)গী মেম্বর ওইরম্মী। মতুং তারকপদা মহাক্না লুচিংদুনা খালিস্থান লিবরেসন ফ্রন্ট অমুক হিংগৎহনখিবনি। কে এল এফ হিংগৎহন্নবা হোৎনবদা মহাক্না পাকিস্থান, ইটলি, বেলজিয়ম, জর্মনি, ফ্রান্স অমদি অতৈ য়ুরোপ লৈবাকশিংদা চৎখি।

পঞ্জাব পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মিন্তুনা পাকিস্থানগী ইন্টর সার্বিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)গা নক্নবা মরী থম্মৈ হায়রি। তোঙান তোঙানবা টেররিষ্ট এটেক কয়াদা চেন্নবা মীওই অসি পঞ্জাব পুলিসকা মতম কয়াগী মমাঙদগী ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা নুপী অমা লৈখিদ্রে। থৌদোক অসি পটিয়ালা-গুলহা চিকা রোদতা থোকখিবনি। মফম অদুদা মথৌ তৌদুনা লৈরম্বা পুলিস পার্সনেলশিংনা কার অমা খাম্নবা হোৎনরুবদা দ্রাইভরনা খাম্লমদনা থৌখিবদগী পুলিসনা নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপ্পদা মনাক নক্না লৈরম্বা নুপী অমদা পাল্লগা শিখিবনি।

# দিমনিটাইজেসন : পোষ্ট ওফিসশিংদা লুপা ক্রোর ৩২,৬৩১ থমজিল্লকখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা পোষ্ট ওফিস লাখ ১.৫৫ রোমদা লুপা ক্রোর ৩২,৬৩১ থমজিল্লকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টকী সেক্রেটরি বি ভী সুধকরনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না নবেম্বর ১০দগী নবেম্বর ২৪ ফাওবগী মনুংদা পোষ্ট ওফিসনা অরিবা শেনয়েক লুপা ক্রোর ৩,৬৮০ শিন্দোকখ্রে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অরিবা শেনয়েক লাখ ৫৭৮ এক্সচেঞ্জ তৌখি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা ক্রোর ৩,৬৮০নি। দিপোজিট তৌরকপগী মতাংদদি লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী শেনয়েক ক্রোর ৪৩.৪৮নি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা ক্রোর ৩২,৬৩১নি।

লৈবাক অসিদা পুন্না পোষ্ট ওফিস লাখ ১.৫৫ লৈবগী মনুংদা রুরেল এরিয়াদা লাখ ১.৩০ অমসুং অর্বান অমদি সেমি-অর্বান এরিয়াদা লীশিং ২৫ লৈ। শেল শিন্দোক-শীঞ্জিন তৌবা অমসুং অরিবা শেল লৌশিনবগী মতাংদা পোষ্ট ওফিসনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীয়াম্না পোষ্ট ওফিসশিংদগী লুপা ক্রোর ৩,৫৮৩ লৌথোকখি। নবেম্বর ৮গী অহিং নোংয়াইদগী লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না বেঙ্ক অমদি পোষ্ট ওফিসশিংদা শেল থমজিনবা অমসুং শিন্দোকপা লাকখি।

অনৌবা শেনয়েক লৌথোক্লবগীদমক বেঙ্ক, এ টি এম অমদি পোষ্ট ওফিসশিংদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না পরেং শানা লেপ্পা উখি। পোষ্ট ওফিসতা সেভিং একাউন্ট লৈতবা মীওইশিংসু মশাগী শক্তাক চে উৎলগা অকক্লবা চাংদা শেল শিন্দোক্লবগী অয়াবা পীখি। অরিবা শেনয়েক্কা অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোকপগী মতম নবেম্বর ২৪দা লোইখিবা তারবসু দিসেম্বর ৩০ ফাওবা মশা মশাগী একাউন্টশিংদা অরিবা শেনয়েকশিং থমজিনবা য়াখিগনি।

অমরোমদা, ইনকম দিসক্লোজর স্কিম (আই দি এস)কী মখাদা টেক্স থীবগী অরোইবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ঙসি হায়খ্রে মদুদি, নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মমাঙদা অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী টেক্স থীদবা তারবদি মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি।

আই দি এসকী মখাদা কনাগুম্বনা ব্লেক মণি লোৎশিন্দুনা থম্লবদি জুনদগী সেপ্টেম্বর ফাওবগী মনুংদা লোৎশিন্দুনা থম্লিবা শেনফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা টেক্স অমদি পেনাল্টি ওইনা চাদা ৪৫গী শেনফম থীনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী ওইনা নবেম্বর ৩০ ফাওবগী মমাঙদা টেক্সকী চাদা ২৫ থীগদবনি অমসুং চাদা ২৫ অমনা মথং চহীগী মার্চ ৩১গী মমাঙদা থীগদবনি হায়না লাউথোকখি। ৱাৎহৌবা ইন্সটোলমেন্ট অদুনা মথং চহীগী সেপ্টেম্বর ৩০গী মমাঙদা থীনবা খঙহনখি।

অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী টেক্স থীনবগী অরোইবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা হায়খি মদুদি, অপীবা মতমগী মনুংদা টেক্স থীহৌদবা তারবদি মদুগী মতুংদা থীবা তারবসু টেক্স থীদে হায়না লৌগনি।

স্কিম অসিগী মখাদা মীওই ৬৪,২৭৫না লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা লুপা ক্রোর ৬৫,২৫০গী শেনফম লাউথোরকপা লৈখ্রবনি। হায়রিবা শেনফম অসিদগী লুপা ক্রোর ২৯,৩৬২ টেক্স ওইনা গভর্ণমেন্টতা কারক্লগনি। আই দি এসকী মখাদা টেক্স থীজগে হায়না ফোংনা চোংথোরকখিবা মীওইশিংনা চাংচত্তা মীওই অমমমনা লুপা ক্রোর অমমমগী চাংদা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা শেনফম লাউথোরকখি।

# দিমনিটাইজেসনগী মায়োক্তা নবেম্বর ২৮দা ওপোজিসন্না কৌরিবা ভারত বন্দদা জে দি (য়ু) শরুক য়ারোই : নিতিশ কুমার



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

নবেম্বর ২৮দা ওপোজিসন পার্টিশিংনা দিমনিটাইজেসনগী মায়োক্তা কৌরিবা ভারত বন্দদা জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু) শরুক য়ারোই হায়না পার্টি অসিগী লূচিংবা নিতিশ কুমারনা ফোঙদোকখ্রে। পার্টিগী কোর কম্মিটি মিটিংদা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌখি হায়না জে দি-য়ুগী নেসনল স্পোক্সপার্সন কে সী তিয়াগিনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা গভর্ণমেন্টকী থৌরাং খোঙফম হন্দোকউ হায়না তকশিল্লদুনা কৌরিবা ভারত বন্দদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ামরুম শরুক য়ারি। অদুবু জে দি-য়ুদি দিমনিটাইজেসন শৌগৎপা মরম্না ওপোজিসন পার্টিশিংগী খোঙজংদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌরে। দিমনিটাইজেসনগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা থৌরাং খূদিংমক জে দি-য়ুনা শৌগৎলোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নবেম্বর ৩০দা তৃণমুল কোংগ্রেসনা শীন্দুনা পল্লাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচত্তা জে দি-য়ুনা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌখিবা তারবসু পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন পার্টিশিংনা দিমনিটাইজেসনগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙখিবা মতমদদি জে দি-য়ুসু ওপোজিসনগী মায়কৈদা লেপখি।

বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা ঙরাং হায়খিবনি মদুদি, দিমনিটাইজেসন্না ব্লেক মনি থিংবা ঙমগনি হায়বা খঙলকপদগী ওপোজিসন্না কৌরিবা ভারত বন্দদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

পল্লাদা পাঙথোকখিবা প্রোহিবিসন দেগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অসিনা লোৎশিন্দুনা থম্লিবা ব্লেক মণি পূম্নমক অরেম্বদা মাঙহনবা ঙম্লগনি। গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা শেনয়েক থিংবগী থৌরাং অসিনা ব্লেক মনি লৈতবা ইন্দিয়া ওইহনবা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ব্লেক মনি শীজিন্নরগা লম লৈশিনবা অমসুং সনা লেপশিনবগী মতাংদসু মহাক্না ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরগা উনদুনা অরানবা মওংদা লম লৈশিনবা, সনা লেপশিনবা অমসুং বেনামি প্রোপর্টিগী মায়োক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপীনবা ৱারী শানরগনি। মদুগা ইরোয়ননা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা য়ু থিংনবা থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরগা ৱারী শানরগনি।

লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা মপান লৈবাক্তগী সনা লৈবদা অথিংবা থম্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী ইন্দিয়াদা সনাগী মমল খঙৱাং ৱাংখৎলকখি। মালেমগী ওইনা সনা খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অনীশুবনি। চহী অমদা ইন্দিয়ানা লৈরিবা সনা টন ১০০০ রোমদি ব্লেক মনিনা লৈবনি হায়না থাজনরি।

টেক্স থীদবা শেনফম, লোৎশিন্দুনা থম্বা শেনফম অমসুং অতৈ অরানবা মওংদা তানশিনবা শেনফম শীজিন্নরগা সনা লেপশিন্নবদগী গভর্ণমেন্টনা হীরম অসোমদা মায় ওনশিল্লকপনি হায়রি।

অমরোমদা, ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা দিল্লিদা মীওই অনী অনৌবা শেনয়েক লুপা ক্রোর ৩.৫গা কোন্ননা ফারবা মতুংদা এক্সিস বেঙ্ককী কাশ্মীরি গেট ব্রাঞ্চতা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোকপদা চেন্নবনি হায়বা এক্সিস বেঙ্ককী মেনেজর অনীগী ময়ুমদসু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, বেঙ্ক মেনেজর অনীনা কম্মিসন লৌরগা ব্লেক মনিশিং হ্বাইট মনিদা ওন্থোকপগী থবক্তা মতেং পাংলম্বনি। নবেম্বর ৮দা গভর্ণমেন্টনা ব্লেক মনি অমসুং জালি নোট থিংনবগী পান্দমদা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি।

# দিমনিটাইজেসন্না রাহুল, মমতা তুম্বা য়াহন্দ্রে : অমিত শাহ



বেঙ্গলুরু, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলিবা দিমনিটাইজেসনগী থৌরাংনা রাহুল গান্ধী অমদি মমতা বেনর্জিগুম্বা ওপোজিসন লীদর কয়া অহিং তুম্বা য়াহন্দ্রে হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা বি জে পিগী অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসকী রেল্লিদা ৱা ঙাঙবদা অমিত শাহনা হায়খি, অরানবা মওংদা তানশিনখিবা শেল ময়াম অমা পৈশিন্দুনা থম্লিবা মীওই খক্তনা দিমনিটাইজেসনগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোল্লাউ লাউরকপনি। কোংগ্রেস লীদর রাহুল গান্ধী, মমতা বেনর্জি অমসুং অবিন্দ কেজ্রিৱালনচিংবা ওপোজিসন লীদরশিংনা শেনয়েক চৎনহন্দবগী মায়োক্তা খোঞ্জেল হৌনা লাউরক্লিবসিগী মরুওইবা মরম অমা শোয়দনা লৈরমগনি।

মহাক্না হায়খি, নবেম্বর ৭ ফাওবা বাহুজন সমাজ পার্টি, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং কোংগ্রেসনচিংবা ওপোজিসন পার্টিশিং লোয়ননা মমতা বেনর্জি অমদি অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগুম্বা ওপোজিসন লীদরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু ব্লেক মনিগী মায়োক্তা মশক থোকপা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদে হায়না মরাল শীখি। অদুবু থংনবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদদি হায়রিবা পার্টিশিং অমদি ওপোজিসন লীদরশিংনা ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি।

ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাং শৌগৎলকপগীদমক বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা অমিত শাহনা হায়খি, নিতিশ কুমারগুম্বা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা পোলিটিসিয়নশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌরাংদা মপুং ফানা শৌগৎলক্লবসু পুকচেল শেংদবা পোলিটিসিয়নশিংদি দিমনিটাইজেসনগী মায়োক্তা শোয়দনা লেপকনি হায়বা খঙই।

কর্নাতাকাদা পাল্লিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, চীফ মিনিষ্টর সিদারমায়ানা লূচিংবা কর্নাতাকাগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শেঞ্জা-থুমজা তৌবা গভর্ণমেন্টনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট মুখত্তুনা বি এস য়েদিয়ুরপ্পাগী লিচিং মখাদা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্নবা হোৎনফম থোকই। মতমদুদা কর্নাতাকানা লৈবাক অসিগী মাঙজিন থাবা ষ্টেট অমা শোয়দনা ওইরক্কনি।

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা থৌওং অদুনা মীচম মীয়াম্বু খমথেংনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে হায়না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। রাজ্য সভাগী ৱাহং পাউখুম মতমদা মহাক্না মালেমগী মফম অমত্তদা মীয়াম্বু শেল থমজিনবা য়াহল্লগা লৌথোকপা য়াহন্দবগী থৌওং চথখিবা লৈত্রি। শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবনা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লবগী মথক্তা লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি)দা অকায়বা থোকহল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

শেনয়েক চৎনহনখিদবনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা মীওই ৬৫ রোম শিখ্রে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা অশোয়বা থৌশীল অসি খোঙফম হন্দোকপগা লোয়ননা মীচম মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং খরা শোয়দনা লৌখৎফম থোকই। ইখঙ খঙহৌদনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবা থৌওংনা জি দি পিগী চাং চাদা ২ হন্থহল্লগনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা লৈবাক মীয়াম্না করেন্সী অমসুং বেঙ্কিং সিষ্টেমদা থাজবা থম্বগী চাং হন্থরক্লগনি। খ্বাইদগী ফীভম শোক্লিবা কাঙলূপতি লল্লোন-ইতিক মচা মচা তৌজরিবা মীওইশিং, লৌউ-শিংউ তৌরিবা মীওইশিং অমসুং কোওপরেটিব বেঙ্কিংনি।

# 'মমতা বেনর্জিনা মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা য়াই'

কোলকাটা, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

শ্রাধ স্কেমদা চেন্নৈ হায়না মরাল শীরিবা তৃণমুল কোংগ্রেসকী হান্নগী এম পি কুনাল ঘোসনা হায়খ্রে মদুদি, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লৈবাক অসিগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপা য়াই।

কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা তৃণমুল কোংগ্রেস ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অপুনবা সিট ৪২গী মনুংদা ৪০ ফংগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সিট খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা রিজনেল পার্টি অমা ওইনা তৃণমুল কোংগ্রেসনা মথংগী গভর্ণমেন্ট শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি। মতমদুদা অতোপ্পা রিজনেল পার্টিশিংগা খুৎশম্নরগা সেন্টরদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বগা লোয়ননা মমতা বেনর্জিনা লৈবাক্কী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি।

কুমজা ২০১৩গী নবেম্বর ২৩দা ঘোসপু পোঞ্জি স্কেমদা চেন্নৈ হায়বগীদমক কোলকাটা পুলিসনা ফাখিবনি। কুমজা ২০১৬কী ওক্টোবর ৬তা ইন্টরিম বেল পীরবা মতুংদা মহাকপু নরকেলদঙ্গ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখি।

তৃণমুল কোংগ্রেসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, নোংমা নোংমগী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলক্লিবা তৃণমুল কোংগ্রেসনা নেসনল পোলিটিক্সতা মরুওইবা ফিদা কনবা ঙম্লে। মমতা বেনর্জিগী লিচিং মখাদা পার্টি অসি লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা মশা মরেং ফন্দোকখিবগা লোয়ননা নেসনল পার্টিগী থাক য়ৌবা ঙম্লগনি।

কুমজা ২০১৩দা ঘোসপু তৃণমুল কোংগ্রেসনা তান্থোক্লবা মতুংদা মরুওইবা ৱাথোক অমদা চেন্নৈ হায়বগীদমক বিধান নগর পুলিসনা ফাখিবনি। মতমদুনা পার্টিগী লূচিংবশিংনা মহাকপু লাপ্পা ইন্থোক্লবা হোৎনখি। রাজ্য সভাগী এম পি ওইরম্বা ঘোসনসু পার্টিগী মকোক থোংবা লূচিংবশিংবু মহাক্কী মায়োক্তা লৌতুনৈ হায়না মরাল শীখি।

কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বরদা সী বি আইনা শ্রাধ স্কেমগা মরী লৈননা ফারুরগা বেলদা থাদোরক্লবা মতুংদা ঘোসনা অমুক হন্না তৃণমুল কোংগ্রেসতা তপ্পা তপ্পা নকশিন্নবা হৌরকখি।

মমতা বেনর্জিনা লূচিংবা তৃণমুল কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা ঘোসনা হায়খি, মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎলকপদগী গভর্ণমেন্ট অসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্বগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি।

# পঞ্জাবকী মীওই লাখ ৪০ রোম দ্রগ এদিক্ট ওইরে : কেজ্রিৱাল

চান্দিগর, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):

পঞ্জাবকী নহারোল লাখ ৪০ হেন্না দ্রগ এদিক্ট ওইরে হায়না পল্লদুনা আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)গী নেসনল কনভিনর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্ট পায়রিবা অকালি দলনা পঞ্জাবতা দ্রগকী নেটৱার্ক অমা শন্দোরকপদগী দ্রগতা লায়চুবা মীগী মীশিং হেনগৎলকপনি।

জলন্ধর দিষ্ট্রিক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা কেজ্রিৱালনা হায়খি, এ এ পিনা করিগুম্বা ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট পায়রকপা তারবদি থা ১গী মনুংদা দ্রগ য়োনবা থিংদুনা মীওই কয়াগী পূন্সি কন্নবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমগনি।



থা ৬কী মনুংদা দ্রগ দি-এদিক্সন সেন্টর কয়ামরুম হাংদোক্তুনা দ্রগতা লায়চুরবা নহারোলশিংবু মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিলহনবগা লোয়ননা অরানবা লম্বীদা চৎলুরবা নহারোল কয়া থবক ফংহনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পঞ্জাবকী মিনিষ্টর বিক্রম সিংহ মাজিথিয়াবু দ্রগ রেকেট শৌগৎপা মীওইনি হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসকী লূচিংবশিংনা দ্রগকী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্বু অপঙবা শীনবা হোৎনরি। সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়রম্বা কোংগ্রেসনা মাজিথিয়াগী মথক্তা মতিক চাবা থবক অমত্তা লৌখৎপা ঙমখিদে। পঞ্জাবতা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা অকালি দলনা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নরগা নোংমা নোংমগী মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবা এ এ পিগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা এ এ পিনা শোয়দনা মায় পাল্লগনি হায়বা খঙলকপদগী অকালি দল অমসুং কোংগ্রেসনা এ এ পিগী মিংচৎ থিহন্নবা অতম্ননা লৌতুনরি।

অকালি দলনা পঞ্জাবতা শেঞ্জা থুমজা তৌবদা পূক্লিং থৌগৎলি হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, শাংলবা চহী ২০ গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা অকালি দলনা শেঞ্জা থুমজা তৌবা মীওইশিংগা খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংদা শীজিন্নগদবা শেনফম পূম্নমক নারোলদা হৈনথোকখি। পঞ্জাবতা ট্রান্সপোর্ট, কেবল টি ভী, মাইনিং অমসুং য়ুগী বিজিনেস তৌরিবা মীওই পূম্নমক অকালি দলগা শম্নবা মীওই ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা অকালি দল অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টিগী এলাইয়েন্সতা এ এ পিনা চাউনা শীংনরক্লি। মীখলদা মায়থিবা য়াই হায়না চিংনবদগী অকালি দল অমসুং বি জে পিনা এ এ পিগী মিংচৎ থীনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়না কেজ্রিৱালনা মরাল শীখি।

অমরোমদা, ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিজবেন সিটিদা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা বস দ্রাইভর মনমিত এলিসর হাৎখিবগী থৌওংবু পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর পর্কাশ সিংহ বাদলনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিবা মীশিং য়ামদবা ইন্দিয়নশিং মরুওইনা পঞ্জাবীশিংগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীনবা মরী লৈনবশিংগা ৱারী শানগদবনি। চহী কয়াগী মমাঙদগী ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াদা খুন্দাদুনা লৈরিবা পঞ্জাবীশিংনা মখোয় মখোয়না লৈরিবা লৈবাক অদুগী চাউখৎনবা অমসুং য়াইফনবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি হায়নসু বাদলনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিবা ইন্দিয়ন হায় কম্মিস্নরগা ৱারী শানদুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈবাক অদুদা খুন্দাদুনা লৈরক্লিবা পঞ্জাবীশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

অমরোমদা, আম আদ্মী পার্টিনসু এলিসর লৈখিদবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। এ এ পি ইলেক্সন কেম্প্যেন কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা সংগ্রুরগী এম পি ভগৱন্ত মাননা হায়খি, এলিসরগুম্বা মীওই অমা লৈখিদবা হায়বসি পঞ্জাবী ফুরুপকী অচৌবা মাঙজবা অমনি।

টৈংপাংপ্রোং/ লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3341/03/11-02/12